HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




ত্রোংলাওবীদা পীক্লিবা অঙাং অনীবু তূপ্লিঁঙৌদা বোম কাপশিন্দুনা হাৎখিবা থৌদোকপু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা নাগামপালগী পাওনম লৈকায় য়ুথ ক্লব অমদি ৱিমেন গ্রুপনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনবদা শরুক য়াখিবা অঙাংশিং

তূম্বদা তিন চোরিবা করিগীনো? লামায় ২
লামায় ৪ লমদমসিদা মীতম শাদুনা খিলহৌগদবা ...
সাহিত্য একাদেমিগী ফেষ্টিবেল ওফ ... লামায় ৫
লামায় ৬ ত্রোংলাওবীগী থৌদোক য়ানিংদবা ...
এস আই আর পাঙথোকখ্রবা মতুং ষ্টেট... লামায় ৯
লামায় ১২ এন ঈ সী দি সী ইন্টর ষ্টেট ফ্রেন্দশিপ মেস...

ত্রোংলাওবী অমসুং পি গেলমোলদা অঙাং অনী অমদি মীচম অহুম হাৎখিবা থৌদোক্কী মায়োক্তা কেগে মোইরাং কেন্দ্র অপূনবা লূপনা চৎপা য়ানীংদবা খোঙচৎতা পীক্লিবা অঙাংশিংনা শরুক য়াবা




Vol. 51, Issue No. 20 | নোংমাইজিং, শজিবুগী ২৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, April 12, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# ত্রোংলাওবীদা মমাগী মথাদা তূপ্লিবা অঙাং ২বু বোম পোকখায়হন্দুনা হাৎখিবগী মায়োক্তা নেশনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনদা ৱাকৎখ্রে

হুইয়েন ব্যুরো

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১.০৫ রোম তারকপদা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা লৈবা ওইনাম মঙালঙম্বগী ইমুংদা মপাঙ্গল কল্লবা বোম অমা কাপশিল্লক্তুনা পোকখায়হল্লগা মমাগী মথাদা তূপ্লিবা পীক্লিবা অঙাং অনী-ওইনাম তোমথিন (৫) অমসুং মহাক্কী মচননুপী য়াইস্না (থা ৫) বু বোম মচেৎনা পান্দুনা পূন্সি মাঙহনখিবা অমসুং অঙাং অনীগী অপোকপী বিনিতা (৩৫) সু বোম মচেৎনা পানবদগী ফীভম লুনা শোক্তুনা হোস্পিটালদা লায়কন্নরক্লিবা থৌদোক অসিগী মায়োক্তা নেশনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনদা ৱাকৎখ্রে।








ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা তূপ্লিঁঙৌদা বোম কাপশিন্দুনা হাৎখ্রবা ওইনাম তোমথিন (৫) মহাক্কী মচননুপী য়াইস্না (থা ৫) অমসুং মীহাৎ অসিগী মায়োক্তা লংথবাল মন্ত্রিখোং থোং অহনবী মৈরা পায়বীনা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজং

ৱাকৎ অসি দেল্লীগী আই এন এগী জি পি ও কমপ্লেক্সকী মানভ অধিকার ভবন ব্লোক-সীদা লৈবা কম্মিশন অসিদা ঙরাং উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকায়দগী নিংথৌখোংজম থানিল কৌবা মীওই অমনা পিটিস্নর ওইদুনা ৱাকৎখিবনি। মহাক্কী ৱাকৎ অসি কম্মিশননা ফংলে অমসুং কম্মিশনগী দাইরি নম্বর ৭৮০৪/আই এন/২০২৬কী মখাদা লৌখৎলে হায়বগী ৱাফমসু কম্মিশননা অইবা চেরোল অমা পীদুনা খঙহল্লক্লে হায়রি।

পিটিস্নরনা থৌদোক অসিগী মতাংদা এন ঐচ আর সীদা ৱাকৎলিবনা থৌদোক অসি মণিপুরদা থোকহনবা অঙাং অমসুং নুপীগী মায়োক্তা চথবা ভাইওলেন্সনি। থৌদোক অসিদা পীক্লিবা অঙাং অনীগী থৱায় মাঙহনখিবদা নত্তনা মখোয় অনীগী অপোকপী মমাবুসু ফীভম লুনা শোকহনখি। বোম পোকখায়হল্লকপগী থৌদোক অদু লৈখিদ্রবা অঙাং অনী অমসুং মখোয় অনীগী অপোকপী মমানা ফমুংদা তূপ্লিঁঙৌদা থোকখিবনি। অঙাং অনীগী অপোকপা ওইনাম মঙালঙম্বা হায়রিবা মীওই অসি হৌজিক ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# মহারাজ নরসিংহনা চহী ৭ খুন্তাকপদগী মণিপুরবু নীংতম্নবা হোৎনরম্মী : খেমচান্দ

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস):** মহারাজ নরসিংহনা মণিপুরবু অৱাগী মখূৎতা চহী ৭ খুন্তাকপদগী অমুক হন্না নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা হোৎনরমখি হায়না চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা ঙসি কংলাদা পাঙথোকখিবা মহারাজ অসিনা লৈখিদবগী চহী ১৭৬শুবা কুমওন থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।



লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী মণিপুর ষ্টেট আর্কিওলোজিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, মহারাজ নরসিংহনা কছার তান্না চৎতুনা মণিপুরীশিংবু খোমজিন-তাশিনবগা লোয়নননা য়াম্না দিপ্লোমেটিক ওইবা মওংদা বৃটিশকী মতেং লৌদুনা মণিপুর লেভি শেমগৎলগা অৱাগী লান্মীশিং তান্থোক্লমখিবনি। মহারাজ অসিনা লৈখিদবগী নীংশিং নুমিৎ অসিগা লোয়নননা লমদমসিদা লৈরম্বা খৎন-চৈনবা অমসুং মূক্লবা কয়া অসি লোইশিল্লগা ঈংন-চিক্না নুংঙাই-য়াইফনা লৈবা লমদম অমা ওইরক্নবা থৌনিজরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমগী মনুং চন্না অহানবা মণিপুর রাইফলসকী কন্টিঞ্জেন্ট অমনা গার্দ ওফ ওনর, গন সেল্যুট পীবগা লোয়নননা লাষ্ট পোষ্ট খোংখি।

থৌরম অসিদা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## পুলিসকা মূক্নখ্রে, টিয়র গ্যাস কাপখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস):** ত্রোংলাওবীগী থৌদোকপু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি নুমিদাং পুং ১০.৩০ হেল্লকপদা ৱাংজিং অমদি হৈরোক লোমদগী থৌবালগী দি সী ওফিস কমপ্লেক্স তম্না লাকখিবা মশীং য়াম্লবা মীয়ামগী রেল্লিদা শরুক য়াখিবশিংবু পুলিসনা তানখায়দুনা চৎহন্দনবা হোৎনরকপদা নাকল অনীগী মরক্তা চাউনা মূক্নখ্রে।

মীয়াম অদু লাকশিন্নবা পুলিসনা হোৎনরকপদা ঙল্লক্তবদগী টিয়র গ্যাস সেলনচিংবা কাপখি। ঙসি নুমিদাং পুং ১১.২০ তারকপা ফাওবদদি থৌদোক অসিদা নাকল অনীগী মীওইশিং অশোক-অপন য়াওবগী ওফিশল ওইবা রিপোর্ট ফংবা ঙমখিদে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## সেকমাই কৈথেলদা মোদি, অমিট শাহ দাউন-দাউন ১সুং চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোকউ হায়বা খোল্লাওনা পুমনিল নিলখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস) :** ত্রোংলাওবী অমসুং পি গেলমোলদা সী আর পি এফকী কেম্পতা থোকখিবা থৌদোকশিংদা মীশি মীনা য়াওখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা কোকোমিনা সেকমাই মায়কৈগী মৈরা পায়বীশিংগা খূৎশম্নদুনা ঙসি নুংথিল সেকমাই কৈথেলদা য়ানীংদবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২




## সেন্ত্রেল ফোর্সশিং চীংথক্লোমদা হোংদোকহল্লগা ষ্টেট ফোর্স থম্নবা হোৎনরি : গোবিন্দাস

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস) :** ত্রোংলাওবীদা বোম কাপশিন্দুনা পীক্লিবা অঙাং অনী হাৎপা অমসুং অঙাং অনীগী মমাবুনা ফীভম লুনা শোকহনবা থৌদোক থোকখিবগা ইরোয়নননা পি গেলমোল খুলদা লৈবা সী আর পি এফকী কেম্পতা খোইশাওনরবা মীয়াম্না থোমজিল্লুবদা নোংমৈ কাপ্পকপদগী শোকখিবশিংগী মনুংদগী মীচম ৩ লৈখিদ্রবা মতুংদা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং চীংথক্লোমদা হোংদোকহল্লগা মখোয়না লৈরম্বা মফমশিংদা ষ্টেট ফোর্স ওইনা থম্নবা হোৎনরি হায়না হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মহারাজ নরসিংহ লৈখিদবগী ১৭৬শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়ারখিবা হোম মিনিষ্টরদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা ফোঙদোক্লমখিবনি।



মিনিষ্টরনা হায়, ত্রোংলাওবীগী লাইবক থীবা থৌদোক অসিগী মতাংদা হৌজিক থিজিন হূমজিনবগী থবক য়াম্না কন্না চথরি। চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎনবা ওপরেশনসু লেপত্রি। পামদবা থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুংদা সেন্ত্রেল ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## ত্রোংলাওবী থৌদোক্কী জে এ সীগী ৱাফম
## ষ্টেট ফোর্সশিংনা ঙাক্লবা মতমদা লৈঙাক্না ৱারী শানরগা হকচাংশিং লৌবগী ৱারেপ লৌগনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস) :** ত্রোংলাওবী থৌদোক্কী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীবু লান্না উখিগদবা মওংদা সোশল মীদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোকপীগনু হায়রদুনা জে এ সীনা লৈঙাক্তগী শেল লৌবা নৎত্রগা হীরম অমত্তদা য়াশিন্নবা লৈত্রি হায়না জে এ সীগী কো-কনভিনর এস অজিৎকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাকমীয়াম ...মখা লমায় ৩ কলম ৬



## চনুথোইগী ইমুংদা লুপা লাখ ১০ পীখ্রে মহাক্কী অপোকপা মপাদা লৈঙাক্কী থবক পীরগনি



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৬তা শীংজমৈ থোং মখাদগী শিনা ফংখিবী অকাম্পাৎকী রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরকখিবী মোরেদগী চহী ৭ খক্তা ঙাইরিবী ওইনাম চনুথোই চনুগী ইমুংদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দ মশামক লাক্তুনা ঙসি মহাক্কী অপোকপা অমসুং অপোকপীগা উন্নদুনা লুপা লাখ ১০গী শেনফম চ্যেক ওইনা খূৎশিন্নখ্রে । লোয়নননা মহাক্কী অপোকপা ওইনাম বসনদা চান্নবা লৈঙাক্কী থবক অমা পীরগনি হায়নসু থাজবা পীরম্লে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ত্রোংলাওবী থৌদোক্কী মতাংদা জষ্টিস পাম্মী




**ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস) :** ত্রোংলাওবী অমসুং পি গেলমোলগী সী আর পি এফ পোষ্টতা থোকখিবা থৌদোক্তা পীক্লিবা অঙাং অনী লৈখিদবা, অঙাং অনীগী মমাবুনা শোকহনখিবা অমসুং মীওই ৩০ হেন্না শোকহনখিবগী মনুংদা মীচম অহুম লৈখিদবা থৌদোকপু অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি নুমিদাং য়াম্লবা মীয়াম্না শরুক য়াদুনা মৈরাগী খোঙচৎ চৎখ্রে।

লাংমৈদোং য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেশন (লুকো) অমদি লাংমৈদোং মৈরা পায়বী অপূনবা লূপনা শীন্দুনা লাংমৈদোং সোশল ৱেলফ্যের ক্লবকী লম্পাকসু ওইরিবা লাংমৈদোং কাংজৈবুংদগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৮

## সিক্যুরিটিনা বঙ্কর ২১ থুগাইখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস) :** ঙরাং বি এস এফকী পর্সনেল অমা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা লৈখিদবা থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা লিতান পি এসকী মনুং চনবা সিকিবুং অমসুং মোংকোৎ চেকপু খুলদা ওপরেশন চথবদা মফম অনীসিদা লৈরম্বা মথংশিংনা বঙ্কর ১৪ অমসুং ৭ থুগাইদুনা মাঙহনখ্রে। সিক্যুরিটি ফোর্সনা এম্পটি কেস ১১সু রিকোভর তৌরকখি হায়রি।

## ঙসি নুংথিল পুং ৩ ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোক্লে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস) :** ত্রোংলাওবীদা অঙাং অনী হাৎখিবা, মখোয়গী মমাবুনা শোকহনখিবা অমদি পি গেলমোলগী সী আর পি এফ পোষ্টতা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মতুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচীংগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা থল্লকখিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং অদু হয়েং অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা কোমথোক্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা থোরকপা ওর্দরশিংনা খঙহল্লক্লি।




## ইন্দিয়া লৈঙাক্না চথরক্লিবা পোলিসি লাইবক থীবনি : অমুকো




**ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস):** ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ তারকপদগী হৌরদুনা অমুকো, অমোভা, কোহর, এম এস এফ অমসুং পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা লূপনা ন্যু চেক্কোন য়ুথ ক্লবকা খূৎশম্নদুনা ন্যু চেক্কোনগী য়ুথ ক্লবতগী কোনুং মমাঙ ফাওবা মৈরাগী খোঙচৎ চৎতুনা ত্রোংলাওবীদা পীক্লিবা অঙাং অনী হাৎখিবা অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সনা মীচম অহুম হাৎখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা মৈরাগী খোঙচৎ চৎখ্রে।

খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ইম্ফাল সিটি পুম্নম নপ্লে, কর্ফিয়ু থল্লগসু শেংদ্রে, থমদ্রিঁঙৌদসু শেংদোক্লে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস) :** মীয়ামগী মীৎয়েংফম ওইবদা নত্তনা মী খ্বাইদগী চিনবা মফম অমসু ওইরিবা ইম্ফাল সিটিগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল, মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা পাওনা/থাঙ্গাল কৈথেলগী লম্বীশিং, আলু গল্লি, নাগামপাল অমসুং গভর্ণর মনীংগী লম্বী য়াওনা কাংজৈবুং মনীংগী এরিয়া, ধর্ম্মসলাগী অকোয়বা লম্বীশিংদা অমোৎ-অকায়না পীক থনবদগী তশেংনমক ইম্ফাল সিটিগী মফমশিং অসি পুম্নম নম্বা হৌরক্লে।

অমোৎ-অকাইশিং অসি কর্ফিয়ুগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## অথৌবশিংগী খুভমদা মীয়াম্না হৈকৎ-লৈকৎ তম্বীয়ু : আর পি এফ

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ :** রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী দেপ্যুটি সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) রোবেন খুমনগী চেরোল অমদা অথৌবশিংগী খুভমদা মীয়াম্না হৈকৎ-লৈকৎ তম্বীয়ু হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ইমা লৈবাক মণিপুরবু ইন্দিয়াগী লোইলম লৈঙাক্তগী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা চঙশিল্লিবা লাঞ্জং অসিদা থৌনা ফবা অথৌবা কয়াগী ঈখেংতনা য়েক্তুনা থল্লম্লবা 'অথৌবশিংগী নুমিৎ' '১৩ এপ্রিল' না লাকপদা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা লাইওইখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা আর পি এফ অমদি মসিগী লান্মী পি এল এনা কোক নোন্দুনা ইকায়খুম্নবা উৎচরি।

লোয়নননা য়েক্লবা ময়াং লমলৌ লান্মীগী তমথীরবা মীওৎ-মীনৈদা মপুরোইবা, মচা কায়নবগী অৱা মৈশা লাংহৌরবী ইমা-ইবেল, ইচে-ইচলশিং অমদি পূন্সি চূপ্পা শোয়নাইদুনা অৱা চৈথেং খাঙলিবা নুংশিজরবা ইরৈচাশিং খুদিংমক্কী মফমদসু আর পি এফ অমদি মসিগী লান্মী পি এল এনা ইকায়খুম্নবা উৎচরি।

'ইমা লৈবাক মণিপুরগী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা থৌনা ফৱবা ...মখা লমায় ৮ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫